# চাইনানা মিলিটরি এক্সর্সাইজ মখা চত্থখ্রে ভিএটনাম এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট রুটশিং হোংদোকখ্রে



বৈজিং/হানোই, ওগষ্ট ৪ (এজেন্সী):

যুএস হাওস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবকী স্পিকর নেন্সি পেলোসিগী টাইৱান খোঙচৎ লোইখ্রবা মতুং মতম ইকান কান্নদনা চাইনানা শগোলশেল নুমিত্তা টাইৱানগী অকোয়বদা লৈরিবা ঈশিংদা এয়র অমসুং সী দ্রিলশিং মখা চত্থখ্রে।

চাইনাগী ইষ্টর্ন মিলিটরি কম্মান্দনা ফোঙদোরকখিবদা লোকেল মতমদা নুংথিল পুং ১ রোম তাবদা পিপলস লিভরেসন আর্মি (পিএলএ) গী য়ুনিটশিংনা টাইৱান ষ্ট্রেটতা লোং রেঞ্জ ফায়র লাইভ ফায়রিং ট্রেনিং ইমপ্লিমেন্ট তৌখি অমসুং ঈথৎ অসিবু মেনলেন্দ চাইনাদগী খায়দোক্লিবা টাইৱান ষ্ট্রেটকী নোংপোক থংবা শরুক্কী অকক্নবা এরিয়া খরদা প্রিজিসন ষ্ট্রাইকশিং পাঙথোকখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হৌখিবা মিলিটরি এক্সর্সাইজ অদু টাইৱানগী কিলুং অমসুং কাউসিয়ুংদা লৈরিবা মরু ওইবা সী পোর্ট অনীদগী নোটিকেল মাইল ৯ ফাওবা নকশিন্নবা ঈথৎ অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মফম তরুক্তা মপুং ফানা পাঙথোকপা হৌখ্রে। অহানবা ওইনা এক্সর্সাইজশিং পাঙথোক্লিবা হান্না বৈজিংনা লাউথোকখ্রবা মফমশিং অদু হৌজিক টাইৱানগী টেরিটরেল ঈশিংগী শরুক্তা খরা চঙশিল্লে হায়রি।

মিলিটরি এক্সর্সাইজ অদু নোংমাইজিং নুমিত্তা লোইশিনবগী পান্দমদা পাঙথোকপা হৌখিবনি। ষ্টেট মেদিয়াগী চাইনাগী মিলিটরি অমসুং তোঙান তোঙানবা এক্সপার্টশিংনা পল্লদুনা হায়রি, মদুদি মেনুভরশিং অদু মশানা লৈঙাকচরিবা ঈথৎ অদুগা মরী লৈননা এরিয়েল অমসুং মেরিটাইম ব্লোকেদ ইম্পোজ তৌনবা মওংদা পাঙথোক্লিবনি।

ইহান হানবা ওইনা টাইৱান লান্না পিএলএনা মিসাইল কয়া কাপ্লকপা য়াই হায়নসু চাইনিস মিলিটরিগী রিপ্রজেন্টেটিবশিংনা চেকশিনৱা ফোঙদোকখি।

মিসাইল টেষ্ট অমসুং সুটিং দ্রিলশিং য়াওগদৌরিবা চাইনিজ মিলিটরিগী দ্রিলশিং অদু ৱাশিংতনগী অহুমশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী ওফিসল ওইরিবা পেলোসিগী টাইৱান খোঙচৎকী পাউখুম ওইনা পাঙথোক্লিবনি।

চৈরকসিদা চাইনানা মিলিটরি দ্রিলশিং পাঙথোক্লিবা টাইৱানগা নক্ক বা একর স্পেস শীজিন্নদনবগীদমক্তা ভেটনাম এয়রলাইন্সনা লৈবাক অসিগা জপান, রিপব্লিক ওফ কোরিয়া অমসুং টাইৱান (চাইনা) য়াওনা নোর্থ ইষ্ট এসিয়া অমদি য়ুএসকী মরক্তা লৈরিবা ফ্লাইট রুটশিং ওগষ্ট ৪ দগী হোংদোক্লগনি হায়রি।

নেসনেল ফ্লাইট করিয়র অসিনা ফ্লাইট ৩৬কা লোয়ননা ওগষ্ট ৭ ফাওবা নৌনা শিন্দোক্লবা রুটশিং শীজিন্নগনি। নৌনা শিন্দোক্লবা ফ্লাইটশিং অদু মতম শাংনা চৎপা য়াই হায়না পল্লদুনা এয়র লাইন অসিনা নোর্থ ইষ্ট এসিয়া অমদি য়ুএসতা চৎকদবা অমদি লমদমশিংদগী অসিদগী লাক্কদবা পেসেঞ্জরশিংদা মসিগী ফেন পেজ, ৱেবসাইট নত্ত্রগা কষ্টমর সার্ভিসকী খুত্থাংদা ফ্লাইট ইনফোর্মেসন অপদেট তৌননবা আপিল তৌখ্রে।

# কা হেনবা ঈকংগী ফিভম্না মরম ওইদুনা সোমালিয়াদা মীওই ৯১,৮০০ ময়ুম মকে থাদোক্লখ্রে



মোগাদিসু, ওগষ্ট ৪ (এজেন্সী):

সোমালিয়াদা ঈকংগী ফিভম লেপ্তুনা লুশিল্লকপা অমদি লৈবাক অসিগী মীওইশিং মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা ফঙলক্তবা অমদি মফম কয়াদা লায়না লাইচৎ কনখৎলকপনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী মীওই ৯১৮০০০ ময়ুম মকে থাদোক্লখ্রে হায়না য়ুএন হ্যুমেনিটরিয়নশিংনা ফোঙদোক্লরল্লি।

য়ুএন ওফিস ফোর ড কো ওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটরিয়ন এফিয়র্স (ওসিঐচএ) না হৌজিক সোমালিয়াগী চাদা ৯০ হেন্না কা হেনবা ঈকংগী ফিভমশিং মায়োক্লরি। পুৱারীদা রেকোর্দ ওইহৌরগদবা মওংদা থংন থংননা মঙারকশুবা ওইনা লৈবাক অসিদা নোংজু থাগী মতমদা নোং কা হেন্না লিক্লা চুগনি হায়না ফোরকাষ্ট তৌখিবা অসিনা কুমজা ২০২৩ ফাওবা লৈবাক অসিগী ঈকং মায়োক্লরিবা মীওইশিংগীদমক্তা তেঙবাংগী পোৎলমশিং লাংবা মথৌ তাগনি।

হ্যুমেনিটরিয়নশিংনা হৌখিবা জনুৱারীদগী লৈবাক অসিগী ঈকংগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মীওই মিলিয়ন ৭ কী মনুংদা মীওই মিলিয়ন মরি হেনবদা থৱায় কন্নবগী মতেংশিং ফঙহনখ্রে।

মখোয়না মরু ওইনা চাবা ফঙদবদগী মীশি মীনাশিং থোরকপা য়ারিবা মীওইশিংদনা হেন্না মীৎয়েং থমদুনা তেঙবাংগী পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখি হায়না ওফিস অসিনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা রিলিজ তৌখিবা খ্বাইদগী নৌনা সিচুয়েসন রিপোর্টতা ফোঙদোকখ্রে।

সোমালিয়াগী লম্বী থোংদা য়াম্না খুদোংচাদ্রবা মফমশিংদা লৈবা ঈকংগী চৈথেং খ্বাইদগী হেন্না শাথিবা মওংদা মায়োক্লরিবা মীওই ৯০০,০০০ লোমদা য়ুএন হ্যুমেনিটরিয়ন এয়র সার্ভিসনা তেঙবাংগী পোৎলমশিং ফঙহনখি।

ওসিঐচএনা হায়, মচি ওইবা চিঞ্জাক নত্ত্রগা চিঞ্জাক মরাং কায়না চাবা ফঙদবগা লোয়ননা লায়না তিলনাশিং শন্দোরকপা হেনগৎলকপা অসিনা থক্নবা ঈশিং সেনিটেসন অমদি নোংমগী চাফম থোকপা চিঞ্জাক চাবা ফঙদবা মী মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি।

# সিজ ফায়র থুগায়বগী মতাংদা অমগা অমগা মরাল শীনখ্রে



বাকু, ওগষ্ট ৪ (এজেন্সী):

অজরবৈজান অমসুং আর্মেনিয়ানা লৈবাক অনীগী মরক্তা য়েৎনরিবা নাগোরমো-করাবাখ রিজনদা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট থুগায়বা অমদি কায়হৌবগী থৌওংশিং চত্থবগী মতাংদা অমগা অমগা মরাল শীন্নখ্রে।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা অজরবৈজানগী কেপিটেল বাকুদা ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, মতম খরগী ওইনা রসিয়ন ফেদরেসনগী পিচ কিপ্পিং কন্টিঞ্জেন্ট দিপ্লোই তৌরিবা অজরবৈজানগী টেরিটরিদা ইল্লিগেল ওইবা আর্মিনিয়ন দিটচমেন্টশিংনা লাচিন রিজনগী মায়কৈ তম্না অজরবৈজান আর্মিগী পোজিসনশিংদা অকনবা মওংদা সেল কয়া কাপশিল্লকখি।

আর্মেনিয়ন দিটচমেন্টশিংগী এক্সন অদুদা অজরবৈজানি সার্ভিসমেন অমা শিখি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, য়েরবানদা আর্মেনিয়ন ফোরেন মিনিষ্টরনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখিবদা অজরবৈজানি ফোর্সশিংনা অমুক হন্না কুমজা ২০২০ গী নবেম্বর ৯ দা পুরকখিবা আর্মেনিয়া, রসিয়া অমসুং অজরবৈজানগী লুচিংবশিংগী ট্রাই লেটরেল ষ্টেটমেন্ট ভাইওলেট তৌদুনা মীশি মীনা কয়া থোকহল্লে।

পনবা য়াবদি, ট্রাই লেটরেল ষ্টেটমেন্ট অদু লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা নাগোরনো-করাবাখ কনফ্লিক্ট জোনদা লান শোক্লবা লেপ্পগা মরী লৈননা ইস্যু তৌখিবনি।

আর্মেনিয়া অমসুং অজরবৈজাননা চীংগী লমদম ওইরিবা নাগোরনো-করাবাখনা মরম ওইদুনা কুমজা ১৯৮৮ দগী অমগা অমগা য়েংথিনদুনা অমদি খুৎ থোক্লদুনা লাকখিবনি। কুমজা ১৯৯৪ দা সিজ ফায়র থম্নবগী ৱাফম য়ান্নখিবগা লোয়ননা মতম অদুদগী নাকল অনীগী মরক্তা পিচ টোল্কশিং চত্থদুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং নাকল অনীনা মরক মরক্তা খুৎ থোক্লবসু লেপত্রি।

কুমজা ২০২০ গী নবেম্বর ৯ দা রসিয়ানা ৱাটেমদুনা সিজ ফায়র অমা পুরক্ত্রিঙৈগী মমাঙ চহী অদুগী সেপ্টেম্বর ২৭ তা কন্টেক্ট লাইন পরিংদা অনৌবা রাউন্দগী আর্মর্দ কনফ্লিক্ট অমা অমুক থোক্লকপা হৌখি।

# নেপালগী ইলেক্সন নবেম্বর ২০ দা পাঙথোক্লগনি

কাঠমন্দু, ওগষ্ট ৪ (এজেন্সী):




নেপালগী ফেদরেল অমসুং প্রোভিন্সিএল ইলেক্সনশিং নবেম্বর ২০ দা পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌরে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা লৈবাক অসিগী গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসনগী রিকমেন্দসনদা য়ুম্ফম ওইরগা কেবিনেটনা শগোলশেল নুমিৎকী অঙনবদা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ অদু লৌখিবনি। রিকমেন্দেসন অদুগী মতুং ইন্না শেল য়ারিমখৈ চঙহন্দনবা অমদি পোল বোদি অসিনা মেনেজ তৌবদা হেন্না লাইনবগীদমক্তা মীখলশিং অদু নোংমত্তদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

মীখলগী মতম লাউথোকখিবা অসিগা লোয়ননা সের বহাদুর দ্যুবানা লুচিংবা কোল্লিসন গভর্ণমেন্ট হৌজিক ক্যের টেক্কর গভর্ণমেন্ট ওইরে অমসুং গভর্ণমেন্ট অসিনা মরু ওইবা ৱারেপশিং লৌবা য়াররোই।

ইলেক্সন কম্মিসন্না মীখলশিং অদুগীদমক্তা শেম শানবা হৌজিক নুমিৎ ১০৭ কী মতম ফঙলি। মতম অসি মীখলশিং অদু শিন লাংনবগী মতিক চারবা মতমনি হায়না চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নারনা ফোঙদোকখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসন এক্ট ২০১৭ গী মতুং ইন্না গভর্ণমেন্টনা ইলেক্সন কম্মিসনগা তান্নরগা ইলেক্সন কম্মিসনগী মতম লাউথোক্লিবনি। পোল বোদি অসিগী ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না ইলেক্সনগী তারিখ অসি মমাঙদা নবেম্বর ১৮ দা পাঙথোক্লবা রিকমেন্দ তৌখিবনি।

মদু হৌজিক লৈরিবা হাওস ওফ রিপ্রজেন্টেটিব অমসুং প্রোভিন্সিএল এসেমব্লিগী মতম দিসেম্বর ৮ দা লোইরগনি হায়বদা য়ুম্ফম ওইরগনি। মমাঙগী মীখল হায়বদি ২০১৭ দা পাঙথোকখিবা ফেদরেল অমসুং প্রোভিন্সিএল ইলেক্সনগী অনীশুবা ফেজতা ঙন্না মায় পাকখিবশিং অদু কম্মিসন্না দিসেম্বর ৮ দা লাউথোকখিবনি। মদু ফার্ষ্ট-পাস-ড-পোষ্ট সিষ্টেমগী মখাদনি।

মমাঙগী ফেদরেল অমসুং প্রোভিন্সিএল ইলেক্সনশিং অদু কুমজা ২০১৭ তা ফেজ অনী থোক্লা নবেম্বর ২৬ অমসুং দিসেম্বর ৭ পাঙথোকখি।

# দোনেটসকী প্রিজন এটেক্কী মতাংদা য়ুএনন্না ফেক ফাইন্দিং মিশন লিংলগনি

য়ুনাইটেদ নেসন্স, ওগষ্ট ৪ (এজেন্সী):

হন্দক্তা য়ুক্রেনগী দোনেটস রিজনদা লৈবা প্রিজন অমদা চত্থখিবা শাথিরবা এটেক্কী মতাংদা থিজিন্নবা ফেক-ফাইন্দিং মিশন অমা লিংলগনি হায়না য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, দোনেটসতা লৈবা রিপ্রজন অদুদা চত্থখিবা এটেক অদুদা প্রিজন্নর ওফ ৱার কয়া শিখিবনি। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা গুটরেজনা হায়খি, মদুদি ওলেনিপকাদা লৈবা প্রিজন অদুদা সেল এটেক চত্থখিবদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোক্লবা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেন অনীমক্না মঙোন্দা হায়জরক্লে।

তৌফম থোকপনি হায়না খনবগা লোয়ননা ঐঙোন্দা শিন্নরিবা পৱারগী মতুং ইন্না ঐহাক্না ফেক-ফাইন্দিং মিশন অমা লোঞ্চ তৌনবা ৱারেপ লৌরে। ঐহাক ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন চত্থনবগী ওথোরিটি লৈত্রবসু ফেক ফাইন্দিং মিশন অমা লোঞ্চ তৌনবগী ওথোরিটিদি লৈ হায়না গুটরেজকী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফেক ফাইন্দিং মিশনগী টার্ম ওফ রিফরেন্স শেম শারি। মদু রসিয়া অমসুং য়ুক্রেন অনীমক্তা খঙহল্লগনি। মিশন অদুগী টার্ম ওফ রিফরেন্স অদুগা মরী লৈননা এগ্রিমেন্ট অমা পুরকপা য়াগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মসিগা লোয়ননা ৱার্ল্ড বোদি অসিনা ফেক ফাইন্দিং মিশন অদুগীদমক মতিক চাবা অমদি মনিং তম্না থবক তৌগদবা মীওইশিং রিক্রুট তৌনবা হোৎনরি।

**OFFICE OF THE**
**THONGKHONG LAXMI MUNICIPAL COUNCIL,**
**THONGKHONG, IMPHAL WEST-795009**

**ꯈꯪꯍꯟꯕꯤꯕ / NOTIFICATION**

Thongkhong Laxmi, the 1st August, 2022

No 05/02/2020-TLMC/SWM: It is hereby notified for information of general public within the jurisdiction of Thongkhong Laxmi Municipal Council that Rules 9(2) and 14(2)(a) of the **"THE THONGKHONG LAXMI MUNICIPAL WASTE MANAGEMENT BYE-LAWS, 2020"** shall be amended as:

***"All the households, shops, trading/institutional establishments or any other waste generators within the jurisdiction of the Council should get themselves registered for the door to door waste collection service of the Council. They shall be required to produce the latest user fee payment receipt of door to door waste collection at the time of availing any form of service from the Council In order to collect garbage from every house, area-wise specific time slot shall be set and published at conspicuous parts of that area of the Thongkhong Laxmi Municipal Council. Commonly, time for house to house garbage collection will be set from 6 am to 11 am. For collection of garbage from trading establishments, shops in commercial areas or any other institutional waste generators, commonly the time shall be from 7 am to 12 noon".***

and

***"Whosoever contravenes or fails to comply with any of the provisions of SWM Rules or these bye-laws shall be debarred from availing any form of service from the Council and also shall be imposed with fine as mentioned in Schedule-II appended to these bye-laws'.*** respectivety.

Any claims and objections, in this regard, may be submitted in writing to the undersigned within 15(fifteen) days during office hours from the publication of this amended **"The Thongkhong Laxmi Municipal Waste Management Bye-Laws (1st Amendment), 2022** in the Official Gazette of Manipur. Claims or objections received after the sad period (i.e. 15 days) shall not be entertained.

**Sd/- MM Ziaur Rahaman**
**Executive Officer**
**Thongkhong Laxmi Municipal Council, Manipur**

HL-P/3590/5

# নোর্দ ষ্ট্রিম ১ গী শেমজিল্লবা টর্বাইন মতম অমদা হেক্তা দেলিভর তৌবা য়াই: সোল্স

বর্লিন, ওগষ্ট ৪ (এজেন্সী):

কানাদাদা শেমখিবা নোর্দ ষ্ট্রিম ১ গী গ্যাস পাইপ লাইনগী টর্বাইন অদু হৌজিক শীজিন্নবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে অমসুং মতম অমদা হেক্তা রসিয়াদা দেলিভর তৌবা য়ারগনি হায়না জমর্নিগী চান্সেল্লর ওলাপ সোল্সনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক হৌজিক টর্বাইন অদুবু থল্লিবা নোর্থ রাইন-ৱেষ্টফেলিয়াগী মুলহাইম এনদের রুরদা লৈবা সাইমেন্স প্লান্টদা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা এজেন্সিদা ৱা ঙাঙখিবা সোল্সনা হৌজিক কনাগুম্বা অমনা টর্বাইন অদু লৌগে হায়রকপদমক চঙগনি। হেক হায়রকপগা মদু য়াম্না থুনা দেলিভর তৌগনি।

টর্বাইন অদু কানাদাদা লৈবা সাইমেন্স ইনর্জিনা সার্ভিস তৌখিবা মতুং জুলাইগী ময়াই চনবা শরুক্তগী জমর্নিদা থল্লকপনি। নোর্দ ষ্ট্রিম ১ গ্যাস পাইপ লাইনগী টর্বাইন অদুবু রসিয়াদা পুবদা কনামত্তনা অপনবা পীবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং রসিয়ন বাইয়রশিংনা মখোয়সু টর্বাইন অদুবু পাম্মী হায়রকপগা লোয়ননা কষ্টমস ট্রান্সপোর্টকী মথৌ তাবা ইনফোর্মেসন পীবা চঙই হায়না প্রসিদেন্ট সোল্সনা ফোঙদোকখি।

## ওক্সনদা য়োন্নবগী নোটিস

**ড মণিপুর ৱিমেন্স কো-ওপরেটিব বেঙ্ক লিমিটেদ, পাওনা বজার, ইম্ফাল**

**ওক্সনগী তারিখ ০৯-০৮-২০২২**

মুভেবল প্রোপর্টি য়োন্নবা পাঙথোক্কদবা ওক্সনগী পব্লিক নোটিস

(এস এ আর এফ এ ই এস আই এক্ট, ২০০২ গী সেক্সন ১৩ (৪) অমসুং সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (ইনফোর্সমেন্ট) রুলস, ২০০২ গী রুল ৮ (৬) মখাদা থোকপা)

| | |
|---|---|
| ১) বোরোৱর/গরেন্টরগী মিং | **১) কোঞ্জেংবম শামো সিংহ (বোরোৱর)** <br> **২) কোঞ্জেংবম তাবেম দেবী (গরেন্টর)** |
| ১৩ (২) নোটিসকী তারিখ অমসুং এমাউন্ট | ২৯/১২/২০২১, লুপা ২,৭৪,৫৪৭/- তুংগী ইন্টরেষ্ট অমসুং ইন্সিদেন্টেল চার্জশিংগা লোয়ননা |
| সেক্সন ১৩ (৪) গী মখাদা থোকপা শেল নোটিসকী তারিখ অমসুং এমাউন্ট | ০১/০৬/২০২২, লুপা ২,৮৯,৩০৯/- তুংগী ইন্টরেষ্ট অমসুং ইন্সিদেন্টেল চার্জশিংগা লোয়ননা |

**মুভেবল প্রোপর্টিশিংগী মওং মতৌ**

ভেহিকল টাইপ: মারুটি ওমনি ৮ সিটর

| রিজার্ব মমল | ই এম দি | বিদ ইনক্রিমেন্ট এমাউন্ট |
|---|---|---|
| লুপা ২,৫০,০০০/- | লুপা ২৫,০০০/- | লুপা ১০,০০০/- |

**ওক্সনগী তারিখ অমসুং মতম :** ০৯-০৮-২০২২, ০১.০০ পিএমদগী ২.০০ পিএম ফাওবা, য়োনবা লোইদ্রিবা ফাওবা মিনিট মঙা (৫) না খুজিং ওইরগা শাংদোক্কনি।

**ইএমদি রিমিটেন্স একাউন্টগী অকুপ্পশিং : এ/সি নং.: 100220019000004** এ/সিগী মিং: শ্রী কোঞ্জেংবম শামো সিংহ, বেনিফিসরিগী মিং : ড মণিপুর ৱিমেন'স কো-ওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেদ, আইএফএসসি কোদ YESB0MWCB01

**বিদ্দরশিং অমসুং ইএমদি রিমিটেন্সকী অরোইবা তারিখ :** ০৮-০৮-২০২২ **নুংথিল পুং ৪ ফাওবা**

**ওক্সনগী টার্মশিং অমসুং কন্দিসনশিং**

১) ওক্সন অসি **'হাপচিনবা অমদি লৌথোকপা অমত্তা তৌদনা লৈরিবা ফিভম'** দা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোক্কনি।

২) ওথোরাইজ ওফিসরনা খঙজবা অমসুং মঙোন্দা লৈরিবা ইনফোর্মেসন মতুং ইন্না, প্রোপর্টি অদু ইনকম্বরেন্স লৈতে। অদুম ওইনমক বিদ্দর ওইবীনিংবশিংনা প্রোপর্টি/পোপর্টিশিংগী টাইটল, ইনকম্বরেন্সশিংগী মতাংদা মশা মশানা সেটিসফাই ওইগদবা মওংদা ইন্দিপেন্দেন্ট ইনক্বারি অমসুং ইন্সপেক্সন তৌগদবনি।

৩) মায় পাক্লবা বিদ্দরনি হায়না লাউথোক্লবা মীওই অদুনা অসুম্না লাউথোকখিবা মতুং **পুং ২৪ গী মনুংদা** মহাক্না লৈগদৌরিবা মমলদুগী চাদা কুনমঙা (২৫%) (ইএমদিগী এমাউন্টদু খায়দোক্লগা) গী শেনফম অমা মথক্কী এ/সি অসিদা এনইএফটি/আরটিজিএস/দিদি/কেসকী খুত্থাংদা পেমেন্ট তৌগদবনি অমসুং অসিগুম্বা দিপোজিট য়াওদ্রবদি ওক্সনদা য়োল্লিবদু কেন্সেল তৌগনি অমসুং ইএমদি অদু মৎকনি। লৈগদৌরিবা মমলগী বেলেন্স এমাউন্ট (৭৫%) অদু মায় পাক্লবা পর্চেজর অদুনা প্রোপর্টি য়োনবগী তারিখতগী (অসিগুম্বা নুমিৎ থাদনা) ১৫ নিশুবা নুমিত্তা নত্ত্রগা মমাঙদা পীগদবনি। অপীবা মতমগী মনুংদা পীদবা তারবদি মায় পাক্লবা বিদ্দরনা দিপোজিৎ তৌখিবা ইএমদি/এমাউন্ট অদু মৎকনি অমসুং ইনৌ নৌনা সেল নোটিস ইস্যু তৌরবা মতুংদা প্রোপর্টি অদু অমুক য়োনগনি।

৪) ইএমদি দিপোজিৎ তৌখ্রবা অমসুং এসিষ্টেন্স মথৌ তাবা বিদ্দর ওইবীনিংবশিং অদুনা প্রোপর্টিগা মরী লৈননা হংনিংবা লৈরবদি (অকুপ্পা টার্মশিং অমসুং কন্দিসনশিংগীদমক) ০৮-০৮-২০২২ দা নত্ত্রগা মমাঙদা থবক তৌবা নুমিৎশিংদা ওফিসকী মতমদা জেনরেল মেনেজর/মেনেজর কম ওথোরাইজ ওফিসর, ইম্ফাল ব্রাঞ্চ, মোবাইল নং. ৯৮৬২৫০১১০৩ দা কন্টেক্ট তৌবীবা য়াই।

**তারিখ অমসুং মফম : ২৮-০৭-২০২২, ইম্ফাল**
**ড ৱিমেন'স কো-ওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেদ**
**পাওনা বজার, ইম্ফাল**

**ওথোরাইজদ ওফিসর**

HL-P/1398/5

# 'গাজা ষ্ট্রিপকী মায়োক্তা ইজরেলনা কিহল্লকপা ঐখোয়না রিজেক্ট তৌই'



গাজা, ওগষ্ট ৪ (এজেন্সী):

গাজা ষ্ট্রিপকী মায়োক্তা ইজরেলগী দিফেন্স মিনিষ্টর বেনিগান্সনা কিহল্লক্লিবশিং অসি মরম চাদে অমসুং ঐখোয়না রিজেক্ট তৌই হায়না হামাসকী লুচিংবা ইস্মাইল হানিএনা ফোঙদোকখ্রে।

ইজরেল্লি লান্মীশিংনা ইস্লামিক জিহাদ লিদর অমা ফাখিবদগী উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা ফিভম অসি লাক্লিবনি। গাজাদা লৈবা হামাসকী লুচিংবা অসিগী ওফিসনা থাদোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না হনিএনা ৱাফম অসি মিদ্দল ইষ্ট পিচ প্রোসেসকা মরী লৈনবা য়ুএনগী স্পিসল কো ওর্দিনেটর টোর ৱেনেসলেন্দগা ফোনগা ৱারী শান্নবদা ফোঙদোকখিবনি।

হনিএগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, ইজরেল্লি লিদরশিং মরু ওইনা বেনিগাঞ্জনা কিহল্লক্লিবা অসি ঐখোয়না য়াফম থোক্তে। গাজা ষ্ট্রিপতা ওপরেট তৌবা অতোপ্পা ফেক্সন অমা ওইরিবা ইস্লামিক জিহাদ মুভমেন্টগী মশক নাইবা লুচিংবা অমা ওইরিবা বসাম অল-সাদি চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা ফাখিবনি। মতমদুদগী লমন খুল্লকপা য়াই হায়বগী ৱাখলদা ইজরেল্লি ফোর্সশিং গাজা ষ্ট্রিপকা নক্কনা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈরকখি।

অল-সাদি দিটেন তৌখ্রবা মতুংদা গান্সনা কোষ্টেল এনক্লেব গাজা ষ্ট্রিপকী চিদাইদা লৈরিবা ইজরেল্লি টাউনশিংদা মহৌশাগী পুন্সি মহিং হঞ্জিনহন্নবা ফোর্স শীজিন্নগনি হায়না গান্সনা কিহনখিবনি।

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Imphal, 04/08/2022

Notice asina khanghanjari madudi "The Uchiwa Kabui Naga Club" address - Uchiwa Kabui Village, Imphal-West, P.O & P.S. - Mayang Imphal, Regd. No. 27 of 1965 hairiba association asi houkhiba 7th June 2022 da pangthokhiba Re-Organization General Body Meeting gi Resolution No. 2 gi matung inna "Uchiwa Kabui Youth Club" address - Uchiwa Kabui Village, Imphal- West, P.O & P.S. - Mayang Imphal haina ming onjaragani. Kanagumbana yetpiningba leiragadi notice asina publish touba numitagi numit taretnigi (7 days) manungda yetpiba yagani. Makha tarakpa complain loujaroi.

**Haijariba :- Solomon Kamei**
**Mobile No. # 8732855445**
**Secretary**
**UCHIWA KABUI YOUTH CLUB**

HL-P/1399/5

**OFFICE OF THE**
**SAMUROU MUNICIPAL COUNCIL**
**SAMUROU:MANIPUR**

**ꯈꯪꯍꯟꯕꯤꯕ / NOTIFICATION**

Samurou. the 1st August, 2022

No.10/2/2020-SMC(WM): It is hereby notified for information of general public within the jurisdiction of Samurou Municipal Council that Rules 9(2) and 14(2)(a) of the "THE SAMUROU MUNICIPAL WASTE MANAGEMENT BYE-LAWS, 2020" shall be amended as:

"All the households, shops, trading/institutional establishments or any other waste generators within the jurisdiction of the Council should get themselves registered for the door to door collection service of the Council. They shall be required to produce the latest user fee payment receipt of door to door waste collection at the time of availing any form service from the Council. In order to collect garbage from every house, area- wise specific time slot shall be set and published at conspicuous parts of that area of the Samurou Municipal Council. Commonly, time for house to house garbage collection will be set from 6 am to 11 am. For collection of garbage from trading establishments, shops in commercial areas or any other institutional waste generators, commonly the time shall be from 7 am to 12 noon".

and

"Whosoever contravenes or fails to comply with any of the provisions of SWM Rules or these bye-laws shall be debarred from availing any form of service from the Council and also shall be imposed with fine as mentioned in Schedule-ll appended to these bye-laws" respectively.

Any claims and objections, in this regard, may be submitted in writing to the undersigned within 15(fifteen) days during office hours from the publication of this the Amended "The Samurou Municipal Waste Management Bye-Laws (1st Amendment), 2022" in the Official Gazette of Manipur. Claims or objections received after the said period (i.e. 15 days) shall not be entertained.

**Sd/- L. Romesh Singh**
**Executive Officer**
**Samurou Municipal Council, Manipur**

HL-P/3589/5